লিওনেল মেসিনা পি এস জিগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মেঞ্চেষ্টর সিটি থোইবদা মতেং পাংখ্রে, রিয়াল মাদ্রিদ মায়থীখ্রে

পেরিস, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা ক্লবকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং তোঙান-তোঙানবা গ্রুপশিংগী মেটচশিংদা অর্জেন্টিনাগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় লিওনেল মেসিনা গ্রুপ এদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিগা শান্নবদা পাঞ্জল ২-০দা থোইখিবা মেটচ অদুদা মেসিগী ওইনা পি এস জিদা নৌনা শরুক য়ারক্লবা মতুং অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি। অতোপ্পা গ্রুপকী মেটচ অমদা টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদ নৌনা ক্বালিফাই ওইরকখিবা মোল্ডোভাগী ক্লব সেরিফ টিরাস্পোলগী মখূৎতা ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে।

গ্রুপ এগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লব পেরিস সেন্টজর্মেননা য়ূম্নু ওইরগা ইংলেন্দগী হৌখিবা প্রেমিয়র লীগকী চেম্পিয়ন ওইরিবা ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিগা লম্বা তৌনখি। পেরিস সেন্ট জর্মেন গ্রুপ অসিগী ওইনা অহানবা রাউন্দ শান্নখিবদা বেলজিয়মগী ক্লব ব্রুগেগা দ্রো চৎতুনা লাকখিবনি। অমরোমদা, মেঞ্চেষ্টর সিটিনা জর্মনিগী ক্লব আর বি লৈপজিগপু মায়থীবা পীরগা পোইন্ট ৩ ফংদুনা লাকখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনীমক হৌরকপদা লেং মান্নখি। অদুবু ৮শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী আই জি গুএনা ঙন্না স্কোর তৌবা ঙমদুনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মখা তারকপা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়বগী খূদোংচাবা ফংদুনা এটেক শাগৎলক্তুনা পি এস জিগী মায়কৈদা ইক্লেলাইজর ফংননবা হোৎনরকখি। অদুবু মখোয়গী এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা শান্নবগী অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতসু সিটিগী শান্নরোয়শিং অদুম্মক এটেক তৌশিনদুনা লাকখি। পি এস জিগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকহন্দনা থম্বা ঙমখি। ৭৪শুবা মিনটতা পি এস জিগী এটেক অমদা লিওনেল মেসিনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী পেনাল্টি মতোন্দা টিমমেট কিলিয়ন মাপেদা খায়দোরকখি। মাপেনা অমুক খৎতোরকখিবা বোল অদু মেসিনা শাফু কন্না কাওশিন্দুনা সিটিগী গোলকিপর মায়থীবা পীরগা পাঞ্জল চন্দুনা মহাক্না পি এস জিদা নৌনা শরুক য়ারকপগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইবতা নৎতনা মেটচ অদু ২-০দা মায় পাকখি।

গ্রুপ দিদা চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল কয়ারক ফংবা ঙমখ্রবা স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদ অমদি মোল্ডোভাগী নৌনা চেম্পিয়ন্স লীগতা ক্বালিফাই ওইদুনা শান্নরকখিবা সেরিফ টিরাস্পোলগা লম্বা তৌনরকপদা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখিবদগী গ্রুপ অদুদা সেরিফ টিরাস্পোলনা মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা মকোক থোংবা ঙল্লি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু সেরিফ টিরাস্পোলগী দিয়াক্সিবেবনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা টিমমেট কৃষ্টিয়ানোনা পীরকপদগী চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাফকী মিনট ২০ হৌজিল্লকপদা রিয়াল মাদ্রিদকী করিম বেঞ্জিমানা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইক্লেলাইজর ওইহনখি।

শান্নবগী লোইশিল্লমদাই অরোইবা মীৎকুপ্তা সেরিফ টিরাস্পোলগী মায়কৈদগী এ ট্রাওরেনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট এস থিলনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা রিয়াল মাদ্রিদপু ২-১দা থোইরগা মকোক থোংবা ঙল্লিবনি।

গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা পোর্টুগালগী ক্লব এফ সী পোর্টো ইংলেন্দগী লিভরপুলগী মখূৎতা য়াম্না শোত্থনা ১-৫দা মায়থীবা নংখি। লিভরপুলগী মায়কৈদগী মহমদ সালানা পাঞ্জল ২, আর ফর্মিনোনসু পাঞ্জল ২, অদুগা সাদিও মানেনা পাঞ্জল ১ চনখি। পোর্টোগী মায়কৈদগী এম টারেমিনা টিম অদুগী ১তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনখি।

রসিয়াগী মখূৎতা মায়থীরবসু ইন্দিয়া ৱর্ল্ড ৱিমেন্স টিম চেছকী ক্বার্টর য়ৌখ্রে

সিট্জ, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): স্পেনগী সিটি সিট্জতা পাঙথোক্লিবা ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসনগী ওইবা ৱর্ল্ড ৱিমেন্স টিম চেছ চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া য়ূম্নু ওইরিবা রসিয়াগী মখূৎতা পুল এগী ৪শুবা রাউন্দদা মায়থীবা নংখ্রবসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী টিম অসিনা পুল এগী অহানবা রাউন্দদা অজরবৈজাননগা গেম ২/২ থোইনরগা দ্রো চৎখিবনি। মদুগী মতুং ইন্দিয়াগী টিম অদুনা স্পেনবু অনীশুবা রাউন্দদা ২.৫-১.৫দা থোইবা ঙমখি। অদুগা অহুমশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা অর্মেনিয়াবু ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অদুদা পোইন্ট ২.৫-১.৫দা থোইবা ঙমখিবনি।

অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা মায় পাকখিবদগী ইন্দিয়া পূন্না বোর্দ পোইন্ট ৭ অমসুং মেটচ পোইন্ট ৫ ফংলগা রসিয়াগী বোর্দ পোইন্ট ১১ অমদি মেটচ পোইন্ট ৬ অদুগী মতুংদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখি। অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয় টানিয়া সচদেব অমদি ভক্তি কুলকর্নিনা মখোয়-মখোয়গী গেমশিং অদু মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী টিম অদুবু ফজহনখি। টিম অদুগী লুচিংবা ওইখিবী দ্রোনাভালি হরিকানা অর্মেনিয়াগী এলিনা দেনিলিয়নগা দ্রো চৎখ্রবা মতুং নহা ওইরিবা শান্নরোয় রমেশবাবু ভৈসালি অর্মেনিয়াগী লিলিট মার্চেনগী মখূৎতা মায়থীবা নংহৌবনি।

অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়াগা অহানবা রাউন্দদা দ্রো চৎখিবা অজরবৈজানবু রসিয়ানা পোইন্ট ৩.৫-০.৫দা মায়থীবা পীখি। অদুগা য়ূম্নু লৈবাক স্পেননা ফ্রান্সপু ২.৫-১.৫দা থোইখি। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা স্পেনগা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দ অদুদা ২.৫-১.৫দা থোইখ্রবা মতুং ঙসি অঙনবদা ৪শুবা রাউন্দ অদুদা রসিয়াগী টিমগা লম্বা তৌনখিবনি।

হায়রিবা লম্বা অদুদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা শান্নরোয় ওইরিবী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকা অমদি রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর অলেক্সেন্দ্র গোরিয়সকিনাগা দ্রো চৎখি। মদুগী মতুং ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় মেরি আন্স গোমসনা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পোলিনা সুভালোভাগা শান্নবদসু দ্রো চৎখিবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী টিম অদুনা মখা তানা রসিয়াগা লম্বা তৌনখিবা পুল এগী মরিশুবা রাউন্দ অদুগী অহুমশুবা গেমদা টানিয়া সচদেব রসিয়াগী কেটেরিনা লাগনোগা লম্বা তৌনরকপদা মায়থীবা নংখি। অদুগা আর ভৈসালিনা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দ অদুগী মেটচতা অলেকজেন্দ্র কোষ্টেন্যুককী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবনি। মায়থীরবসু ইন্দিয়াগী টিম অদুনা মমাংগী রাউন্দ অহুমদা অনী মায় পাকখিবা অমদি অতোপ্পা রাউন্দ অমনা দ্রো চৎখিবা অদুনা মরম ওইরগা পুল এদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি অথেংবদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা পুল এগী অরোইবা অমদি মঙাশুবা মেটচ ওইনা ফ্রান্সকা লম্বা তৌনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী গোস্বামি আই সী সীগী নুপীগী ২শুবা রেঙ্কতা লৈখ্রে

দুবাই, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী)না থাদোরকখিবা খ্বাইদগী নৌবা নুপী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী বোলর ঝুলন গোস্বামি থাক অনী হাইগৎলগা মালেমগী ওইনা লৈরিবা শান্নরোয়শিংগী পরিংদা অনীশুবদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মহাক্না হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনল মেটচ অহুমগী সেরিজ অদুদা ফজবা ঙমখিবদগী থাক অনী হাইগৎলকপনি। মশাগী চহী ৩৮ শুরবী গোস্বামিনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱান দে ইন্টরনেসনল সেরিজ অদুদা মেটচ ১-২দা মায়থীবা নংখ্রবসু গোস্বামিনা পূন্না ৱিকেট ৪ লৌরগা ফজবা ঙমখি। মহাক্না ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অরোইবা অমদি অহুমশুবা মেটচ অদুদা শুপ্পগী রন ৩৭ পীরগা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ৩ আউট তাহনখিবা অদুগী পর্ফোর্মেন্স অদু য়াম্না মরু ওইখি। মায় পাকখিবা অদুনা ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী টিম অদুগী রেকোর্দ ওইনা মেটচ ২৬ মায়থীদনা লাকখিবা অদু ইন্দিয়ানা মরক থৎখিবনি। গোস্বামিনা ওল রাউন্দরশিংগী পরিংদসু থাক অহুম হাইগৎলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

অমরোমদা বেটসমেনশিংগী ওইনা হান্না মকোক্তা লৈরম্বা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন মিথালি রাজ ঙরাং আই সী সীগী নৌনা থাদোরকপা মকোক-মথং তাবগী পরিং অদুদা থাক অমা হন্থরগা অনীশুবদা লৈখি। মিথালি রাজনা ওষ্ট্রেলিয়া টুর অদুগী মেটচ অহুমদা শুপ্পগী রন ৮৭ খক লৌবা ঙমদুনা পোইন্ট ৭৩৮ খক লৈখিবদগী মকোক্তা লৈরম্বা অদু হন্থরগা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন লিজেল লিনা পোইন্ট ৭৬১ ফংলগা মকোক্তা লৈখি।

কটারদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

দোহা, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): কটারগী কোনুং দোহাদা লৈবা লুসেল মল্টিপর্পজ হোলদা চত্থরিবা এসিয়ন টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম মখোয়-মখোয়গী গ্রুপশিংদা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অদুনা ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা উজবেকিস্তানবু ৩-০দা থোইদুনা গ্রুপ অদুগী মকোক ওইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা গ্রুপ অদুগী অহানবা রাউন্দদা জোর্দানগী টিমবু মায়থীবা পীখিবনি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা গ্রুপ ৱানগী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অদুদা নম্বর ৱান শান্নরায় মনিকা বট্রা য়াওখিদবা টিম অদুগী মায়কৈদগী আর্চনা কমাথনা উজবেকিস্তানগী মর্খাবো মেগদিএভাবু ষ্ট্রেট গেম অহুমদা ১১-২, ১১-৫, ১১-৪দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সিঙ্গলসকী গেমদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী সুটির্থা মুখর্জীনা উজবেকিস্তানগী রোজালিনা খাদজিয়াভাবু শুপ্পগী মিনট ১৮দা ১১-৬, ১১-৭, ১১-৩দা মায় পাকপা ঙমখি। লোয়ননা অহুমশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় এহিকা মুখর্জী অমদি উজবেকিস্তানগী সুগদিয়োনা মাদালিএভাগা লম্বা তৌনরকপদা গেম অমা উজবেকিস্তানগী শান্নরোয় অদুনা মায় পাকপা ঙমখ্রবসু গেম অহুম মহাক্না থোইরগা টাই অদু ইন্দিয়ানা লৌখিবনি।

মমাংদা ইন্দিয়াগী নেসনল চেম্পিয়নসু ওইরম্লবী এহিকা মুখর্জীনা উজবেকিস্তানগী মাদালিএভাগা শান্নবা অদুদা অহানবা গেম অদু ১১-৮দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা গেম অদুনা উজবেকিস্তানগী শান্নরোয় অদুনা চপ মান্নবা স্কোর ১১-৮দা থোইদুনা শান্নরোয় অনীমক গেম অমমম্ মায় পাক্লরগা লাকখি।

অহুমশুবা গেমদা অকনবা প্রেসর পীনদুনা শান্নরকখিবা অদুদা পোইন্ট ১০-১০ ফাওবা মান্নরম্লবা মতুং ইন্দিয়াগী মুখর্জীনা ১২-১০দা থোইরগা গেম ২-১দা মাঙজিল থাখি। মরিশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী ঙন্না পোইন্ট খরা হেনবা ঙমখিবা অদুনা মতেং ওইরগা ১১-৭তা থোইদুনা উজবেকিস্তানবু ৩-০দা মায়থীবা পীখিবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চহী ২/২ লৈরগা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবদগী ঙসি নুমিদাং অথেংবদা এসিয়াগী মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা জপানগা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরি। অমরোমদা, নুপাগী টিমসু ইরানগা ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরি।

রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা রাজস্থান রোয়লস ৱিকেট ৭তা থোইখ্রে

দুবাই, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): দুবাই সিটিদা লৈবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৪৫শুবা মেটচতা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা রাজস্থান রোয়লসপু ৱিকেট ৭তা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা রাজস্থান রোয়লসনা অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ১৪৯ লৌখি। টিম অদুগী ওপনর লেৱিসনা বোল ৩৭তা রন ৫৮ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি। মহাক্কী পার্টনর জেস্বালনা রন ৩১ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী অনীশুবা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন সেমসননা বোল ১৫দা রন ১৯ লৌখিবা পনবা য়াই। বেঙ্গলোরগী মায়কৈদগী বোলর হর্শল পটেলনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। লোয়ননা চাহল অমসুং সেবাস অহমদসু ৱিকেট ২/২ লৌখি।

রন ১৫০ লৌরগা মায় পাক্কদবা রাজস্থান রোয়লসকী মায়কৈদগী ভিরাট কোহলি অমদি দেবদট পরিকলনা অথুবা মতমদা রন ২৫ অমসুং ২২ লৌরমখি। মখোয় অনী আউট ওইখ্রবা মতুং স্রিকার ভারত অমদি গ্লেন মেক্সৱেলনা মখা তানা আউট ওইদনা অহুমশুবা ৱিকেটকীদমক রন ৬৯ হাপচিন্দুনা অপূনবা স্কোর অদু ১২৭ য়ৌহনখি।

স্রিকার ভারত বোল ৩৫ দা রন ৪৪ লৌরগা ইন্নিংসকী ১৬শুবা ওভরগী অরোইবা বোলদা আউট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা এ ভি দিভিলিয়র্স অমদি গ্লেন মেক্সৱেলনা মখা তানা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ৪ অমসুং ৫০ লৌরগা ১৮শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৫৩ লৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৭তা থোইখি।

সাইগী মীফম পাঙথোক্তুনা কোর গ্রুপকী মতাংদা খন্নখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ানবগীদমক্তা থল্লিবা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিম (টোপস)গী মনুং চন্না নেসনল এলিট এথলিটশিংবু কোর গ্রুপতা য়াওহন্ননবগী মতাংদা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিং অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে।

মথং থাদা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমগী অনৌবা লিষ্ট অমা ফোঙদোক্কদৌরিবা অদুদা হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী নেসনল এলিট এথলিটশিং অদু কোর গ্রুপতা য়াওবা য়াগদ্রা য়ারোইদ্রা হায়বগী অরোইবা ৱারেপ অমা লৌগদৌরি। কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক অমদি পেরালিম্পিক গেমসতা টোপসনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মেদল ফংবা য়াবা শান্নরোয় কয়া শেমগৎলকপনি।

সাউথ এসিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন চেম্পিয়নশিপকীদমক ইন্দিয়াগী টিম মালদিভসকী কোনুং মালেদা থুংখ্রে, মায় পাক্লনবা হোৎনগদৌরি

মালে, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): মালদিভসনা য়ূম্নু ওইরগা ওক্টোবর ১দগী হৌগদৌরিবা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম ঙরাং অথেংবদা মালেদা থুংখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা ওইরিবনি। মসিদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ৬ য়াওরিবনি। মখোয়শিং অদুদি গোলকিপর ধীরজ, দিফেন্দর চিংলেনসনা, মিদফিল্ডর উদান্তা, জিক্সন, সুরেশ অমসুং য়াসির মহমদনি। টিম অসিনা মালদিভসকী সাফ চেম্পিয়নশিপ অসি ভেকেসন নত্তে, মায় পাক্কদবনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

মালদিভস লৈবাক অসিদা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী ভেকেসনগী স্পোট অমা ওইদুনা মীওই কয়া নুমীৎ খূদিংগী লাক্লরি। মদুদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মফম অদুদা ভেকেসন লাকপা নত্তে, সাফ চেম্পিয়নশিপ অসিগী টাইটল লৌননবা লাকপনি হায়না অমত্তা ওইবা মোত ফোঙদোক্লখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মালেগী খোঙচৎ অদুগী মাঙওইননা লৈবাক অদুগী ওইবা কোভিদ-১৯গী এস ও পিগী মনুং চন্না অমদি টুর্নামেন্ট অদুগী গাইদলাইনগী চৎন-কাঙলোন ওইরিবা আর টি-পি সী আর টেষ্ট মাঙজৌননা পাঙথোক্তুনা নেগেটিভ ওইরকপদগী অশোয়-অঙাম য়াওদনা য়ৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় অনিরুদ্দ থাপানা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী কাঙলোন মরক্তা তোঙান-তোঙানবা ইমুং-মনুংগী ওইবা মীওই কয়া অমা ভেকেসন লাকপা উবা অদুদা ইন্দিয়াগী টিম অদুদি ভেকেসন লাকপা নত্তে হায়খি।

ঙসি অঙনবদা সমুদ্রগী লম্বেলদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা মালদিভস য়ৌখিবনি। নহা ওইরিবা অতোপ্পা শান্নরোয় রাহুল ভেকেনা ফোঙদোকখিবদা, মালদিভসকী ফুটবোল এসোসিএসননা শীল্লিবা আর্টিফিসল ট্রেনিং পিটচ অদুদা ঙসিদগী অহৌবা সেসনশিং অদু পাঙথোক্লবা মতুংদা শান্নবগী শেম শাগদৌরিবনি। লাক্কদৌরিবা চয়োল অনী অসিদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা বাংলাদেশ, স্রি লঙ্কা, নেপাল অমসুং য়ূম্নু মালদিভসকা লম্বা তৌনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা সাফ চেম্পিয়নশিপ অসি হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা টাইটল ৭ লৌবা ঙমখি। কুমজা ১৯৯৩গী লাহোর টাইটল, ১৯৯৭কী কাথমান্দু, গোৱাগী মারগাওদা ১৯৯৯দা ফংখিবা টাইটল, পাকিস্তানগী কারাচিদা ২০০৫দা, ২০০৯দা ধাকাদা পাঙথোকখিবা টাইটল, ২০১১দা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা টাইটল অমসুং ২০১৫-১৬কী টাইটলনি।

‘মথং থা ফাওবগী মনুংদা বি এফ আই অমসুং সাইনা পাউ পীরক্তুবদি ইন্দিয়াদা লাক্লরোই’

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সিংগী হায় পর্ফোর্মেন্স দিরেক্টর রাফেল বার্গামাস্কোনা ফোঙদোকখিবদা, বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা মথং থা ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা মরোল য়াওবা পাউ পীরক্তুবদি মহাক অতোপ্পা মফমদা মীৎয়েং থল্লগা ইন্দিয়াদা হল্লক্লরোই হায়রি।

ৱাফম অসি ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা স্পোর্টস মেগাজিন অমগা অখন্নবা ৱারী শানবদা ইটালি মচা রাফেল বার্গামাস্কোনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্কী ৱারোলদা, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙরাং ঈ-মেলগী খুত্থাংদা চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর ৩০ ফাওবা মহাক্কী কোচ ওইবগী কন্ট্রেক্ট অদু শাংদোক্লে হায়রকখিবনি। অদুবু ওলিম্পিক সাইকল অমদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংগী ওইবা শেম শাবগী মতাংদা শুপ্পগী অতেনবা মতমগী ওইবা থা অনীগী এক্সটেন্সন অদুনদি শান্নরোয়শিংগা কোচকা পূনবগী মতম ৱাৎপা মরম্না মহাক মথং থা ফাওবা পাউ লাক্তুবদি থবক থাদোক্লগনি হায়রকপনি।

Office of the Pakhangba Micro Finance
Estd: 158/M/BML/30106-2016
Moirangkhom Ioklaobung. S.B Enterprises Building,
9774434043 / 8787806275
Timing : 9:30 am to 4 pm
Loan Available
Introducing:
- Service Loan
- Vehicle Loan
- Pension Loan
- Daily (Small rate of interest)
- Electronics items

NB: More Services to be added on
Sd/- Manager
HL-B/6952/13,16,20,23,27,30

এফ সী গোৱানা বেঙ্গলুরু এফ সীবু পেনাল্টি শুট আউটতা মায়থীবা পীদুনা দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): কোলকাটাগী বিভেকানন্দ যুব ভারতি ক্রিয়াঙ্গনদা ঙসি শান্নখিবা ১৩০রকশুবা দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেলদা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী টিম ওইরিবা ক্লব অনীগী লম্বাদা এফ সী গোৱানা বেঙ্গলুরু এফ সীবু পেনাল্টি শুট আউটতা পাঞ্জল ৭-৬তা থোইরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা টিম অনী পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা লৈখি। শান্নবগী হৌরকপা শুপ্পগী মিনট ১ চঙশিল্লকপদা বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদকী নহা ওইরিবা টিমগী মায়কৈদগী নরায়ননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মখা তারকপদা মিনট ৭ হৌজিল্লকপদা এফ সী গোৱাগী মুরগাওকরনা ৮শুবা মিনটতা ইক্লেলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদু নৌহৌননা অমুক লম্বা মান্নরকপদগী মখা চত্থরকখি। অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ লোইশিল্লকপা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ২৬ চঙশিল্লকপদা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী রিদিম লাংনা পাঞ্জল ১ চনশিন্দুনা এফ সী গোৱানা মাঙজিল থারগা লৈখি। অদুবু শান্নবগী অরোইবা মতম য়ৌগদবা মিনট ৭ ৱাৎলিঙৈদা বেঙ্গলুরু এফ সীগী নরায়ননা ইক্লেলাইজর অদু চল্লগা লৈখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না পেনাল্টি শুট আউটতা মায় পাকপা টিম অদু মশক খঙদোক্লবা হোৎনরকখি।

পেনাল্টি শুট আউট অদুদা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী দোলিং, পেরৈরা, দিকুনহা, বেদিয়া, সোটে, লালমাং সঙ্গা অমসুং দেভিসনা পূন্না পাঞ্জল ৭ চনখিবদা বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদকী মুইরাং, ছেত্রি, স্রিভাস, ভুটিয়া, কুমার অমদি ওরামনা পাঞ্জল ৬ চল্লগা গোৱা ফাইনেল য়ৌখি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 244

Lain, Luigi (2243) - Cavatorta, Fosco (2057)
Cortina d'Ampezzo op Cortina d'Ampezzo (3), 2004

1.d4 d6 2.c4 e5 3.d5 Be7 4.e4 Bg5 5.Bd3 Bxc1
6.Qxc1 a5 7.Ne2 Na6 8.Nbc3 Nc5 9.Bc2 Nf6 10.f3 O-O
11.Qd2 Nfd7 12.Nd1 Nb6 13.Ne3 Bd7 14.O-O-O Nc8 15.g4 b5
16.h4 bxc4 17.Nc3 Nb6 18.Rdg1 a4 19.a3 Nb3+ 20.Bxb3 cxb3
21.g5 Rc8 22.h5 c6 23.dxc6 Rxc6 24.g6 fxg6 25.hxg6 h6
26.Rg3 Qf6 27.Kb1 Qf4 28.Ne2 Rc2 29.Nxf4 Rxd2 30.Nfd5 Nxd5
31.Nxd5...

QUESTION :

White to Win

Puzzle 243 Ans. :

26. ...Nxh2 The black knight decoys White's king. The black knight deflects White's king away from protecting the square f1. Opening the line from f1 to h1. 27.Kxh2 Rf1 28.g4 Qh4+ 29.Kg2 Qh1+
29. ...Rh1 Mating net 30.a5 Qh2#
30. Kg3 Rf3# Killbox mate
26. ...Nxh2 27.Kxh2 Rf1 28.g4 Qh4+ 29.Kg2 Qh1+
30.Kg3 Rf3#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com